# জয়ারাম, ঐচ এস প্রন্নোয়, শ্রিকান্টনা জপান ওপনগী সেকেন্দ রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২১ :
ইন্দিয়ন শট্লরশিং - অজয় জয়ারাম, ঐচ এস প্রন্নোয় অমদি কিদম্বী শ্রিকান্টনা মফম অসিদা চথরিবা জপান সুপর সেরিজগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচতা মায় পাকখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দিয়ন শট্লর জয়ারামনা ইন্দোনেসিয়াগী সোনি দৱিকুনকোরোবু মিনিট ৪৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৯, ২৩-২১ দা মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা হোংকোং ওপনদা সোনি দৱি কুনকোরোনা জয়ারামবু মায়থীবা পীখিবা অদুগী লমনখুম্বা ওইনা ঙসিগী মেচ অদুদা জয়ারামনা ইন্দোনেসিয়ন অসিবু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ঐচ এস প্রন্নোয়না অকনবা লম্বা তৌদুনা মালেসিয়াগী ইস্কান্দর জলকারনেইন জাইনুদ্দিনবু ২৩-২১, ১৯-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১৩ দা লৈরিবা শ্রিকান্টনা কম্পেট্রোইট পি কেশয়পপু মায়থীবা পীখি। শ্রিকান্টনা রিও ওলেম্পিক্সকী কার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি। মায়থীহৌরবা পি কেশয়পনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকখিবা অদুগী মতুংদা হল্লকখিদুনা শরুক য়ারখিবনি।

নিপানশুবা সীদ শ্রিকান্টনা মহাক্কী কম্পেট্রোইট কেশয়পপু পুং অমগা মিনিট অনী চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৪-২১, ২১-১৪, ২৩-১৯ দা মায়থীবা পীখি। কেশয়পকী ঙসিগী মেচ অসি মহাক্কী মশা ফগৎলক্লবা মতুংদা শান্নরকখিবা অনীশুবা টুর্ণামেন্টসু ওইখি।

হৌজিক জয়ারামনা মথংগী মেচতা শ্রিকান্টগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি অদুগা প্রন্নোয়না হোং কোংগী ৱোং ৱিং কি ভিনসেন্ট অমদি দেনমার্ককী অনীশুবা সীদেদ ভিক্টর এক্সেলসেন অনীগী মায় পাক্লকপা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসেনদি রিও গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা কনাডা ওপনগী টাইটল লৌখিবা বি সাই প্রনিথনা ইচং থৌনা শান্নরম্লবা মতুং হোং কোংগী এন জি লোং এঙ্গসকী মখুৎতা ২১-৯, ২১-২৩, ১০-২১ দা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, কম্মনৱেল্থ গেমসগী চেম্পিয়ন পি কেশয়পনা মফম অসিদা চথরিবা জপান সুপর সেরিজগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বালিফিকেসনগী রাউন্দ অনী মায় পাক্লুনা মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী মেইন দ্রোদা খুমাঙ চাউশিনখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ওপনিং মেচতা কেশয়পনা মহাক্কী মায়োক্লখিবা ওষ্ট্রিয়াগী দেভিদ ওবরনোষ্টর্রনা অহানবা গেমদা ৩-১১ দা লৈখিবা তাঞ্জাদা রিটয়ার্ড তৌখিবদগী ইন্দিয়ন অসিনা মায় পাকখি। মেচ অদুদা কেশয়পনা নিংথিনা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদে।

অনীশুবা মেচতা কেশয়পনা দেনমার্ককী মরিশুবা সীদেদ এন্দরস অন্টোনসেনবু ২১-১৮, ২১-১২ দা মায়থীবা পীদুনা মেইন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলসতা টানাভি লেদনা জপানগী চিসাটো হোশিগী মখুৎতা ২১-১৯, ১৮-২১, ৯-২১ দা মায়থীহৌখি। মহাক্লা মেচ অদুদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মহাক্লা অহানবা মেচতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা ২১-১৯ দা মায় পাকখি। অদুবু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা নিংথিনা শান্নখ্রবসু ওপোনেন্টকী মখুৎতা হেজিংনবা য়াদনা মায়থীহৌখি।

# অনুপ কুমারনা ইন্দিয়াবু কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপতা লুচিংগনি



মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২১ :
হরিয়ানাগী ষ্টার রাইদর অনুপ কুমারনা মথং থাদা অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী টিমবু লুচিংগনি।

ওক্টোবর ৭ তগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক মেম্বর ১৪ না শাবা ইন্দিয়াগী স্কাদ অমা লাউথোকখিবদা ওল রাউন্দর মঞ্জিট চিল্লারনা অনুপকী দিপ্যুটি ওইনা থৌ পুগনি। অদুগা টুর্ণামেন্ট অসিদা টিম ১২ না শরুক য়াগনি হায়না মফম অসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি। টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং অদুদি ইরান, সাউথ কোরিয়া, বংলাদেশ, য়ু এস এ, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, পোলেন্দ, থাইলেন্দ, জপান, অর্জেন্টিনা, কেনয়া অমদি য়ুম্মু ইন্দিয়ানি।

বালৱন সিংহনা ইন্দিয়ন টিমগী হেদ কোচ ওইরি অদুগা ঈ বাস্করননা মহাক্কী দিপ্যুটি ওইরি।

বালৱন সিংহনা হায়খি, অহমেদবাদনা য়ুম্মু ওইদুনা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখি। হায়রিবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা অকনবা মওংদা প্রেক্টিস তৌদুনা ইন্দিয়াগী স্কাদ শেম্নবগীদমক অফবা প্লেয়রশিং খনগৎপদা ঐখোয়দা চাউনা মতেং ওইখি। ঐখোয়গী পান্দমদি লাক্লিবা ৱর্ল্ড কপকীদমক চাং মান্ননা লৈবা টিম অমা শেম্নবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, চহী অসিগী ওইনা টুর্ণামেন্ট অসি য়াম্না কম্পিটিটিব ওইবা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি হায়বগী ঐখোয়দা থাজবা লৈ। ইকুই কুইদ্রিবা মতম অসিদা ইন্দিয়া টিমনা খ্বাইদগী চাউবা শিংনবা অমা মায়োক্লগদৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

ক্রিকেট লেজেন্দ অমদি কুমজা ১৯৮৩ গী ৱর্ল্ড কপকী ৱিন্নিং টিমগী কেপ্টেন ওইখিবা কাপিল দেভনা টিমগী জর্সিগী মায়খুম হাংদোকখি। ক্রিকেট আইকোন অসিনা মহাক্কী ওটোগ্রাফ অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা অহানবা লিমিটেদ ওভর কন্টেষ্টতা মহাক্লা লিংখিবা কলর টি সার্ট অদুসু অনুপতা খুদোল তমখি।

কেপ্টেন অমা ওইনা য়াম্না চিনবা তাঞ্জাদা ফংবা প্রেসর অদু করম্না মায়োক্লগদগে হায়না অনুপনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা কাপিলনা হায়খি, টিম অমদা লৈরিবা প্লেয়রশিংনা কৈদৌঙৈদসু প্রেসর লৈনা থবক তৌরোইদবনি। গেম অদুবু নুংঙাইনা শান্নগদবনি অমদি রিজল্ট অদু অদুমক লাকচগনি। করিগুম্বা শান্নরিঙৈ মতমদা অশোয়বা য়াওরবদি মদু কেপ্টেন অদুদা তাইনগনি অমদি করিগুম্বা টিম অদুনা ফনা তৌরবদি মদুগীদমক মঙোন্দা ক্রেদিট পুম্নমক পীরক্কনি হায়না শন্দোক্লা কাপিলনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী স্কাদতা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি অনুপ কুমার (কেপ্টেন, হরিয়ানা), অজয় থাকুর (হিমাচল প্রদেশ), দিপক হুদা (হরিয়ানা), ধরমরাজ চেরালাথন (টামিল নাড়ু), জাসভির সিংহ (হরিয়ানা), কিরন পারমার (গুজরাট), মঞ্জিট চিল্লার (ভাইস-কেপ্টেন, পঞ্জাব), মোহিট চিল্লার (পঞ্জাব), নিটিন টোমার (উত্তর প্রদেশ), পর্দিপ নারৱাল (হরিয়ানা), রাহুল চৌধরি (উত্তর প্রদেশ), সন্দিপ নারৱাল, সুরেন্দর নাদা সুরজিট (অনীমক হরিয়ানাদগী) নি।

# এ এফ সি অন্দর-১৬ : উজবেকিষ্টাননা য়েমেনবু মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



মার্গাও, সেপ্টেম্বর ২১ :
অসাদবেক সোবিরজোনোভনা সেকেন্দ হাফতা চনখিবা গোলনা উজবেকিষ্টাননা মফম অসিদা চথরিবা এ এফ সি অন্দর-১৬ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেচতা য়েমেনবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

জি এম সি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা উজবেকিষ্টাননা মতিং লৈনা শান্নরকখি। অদুবু য়েমেনসু মেচকী লোইরমদাই শরুক্তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্তুনা অয়েংবা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। উজবেকিষ্টানগী মায় পাকপগী গোল অদু সেকেন্দ হাফতা সোবিরজোনোভনা চনখি। য়েমেননা গোল ইক্লোইজ তৌনবগীদমক অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবদা মেচ লোইগদবা মিনিট ১০ খক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা অহমেদ মাহেরনা গোল এটেম্প তৌখিবদা চনবা ঙমখিদবদগী উজবেকিষ্টাননা মায় পাকখি। উজবেকিষ্টাননা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা দি পি আর কোরিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মেচ অদুদা উজবেকিষ্টান অমদি য়েমেন অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। উজবেকিষ্টাননা মেচ হেক হৌবগা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা য়েমেনগী সাইদতা তকখৎলকখি। য়েমেনসু মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। অদুবু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদি টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। উজবেকিষ্টানসু গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু পোষ্ট ৱাংমা লান্না চৎখিবা অমদি ফাকনা চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। য়েমেনসু গোল এটেম্পশিং তৌদুনা উজবেকিষ্টানগী মায়কৈদা তৌখ্রবসু কিপরনা নিংথিনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

অনীশুবা হাফতা উজবেকিষ্টাননা টেম্পোর লৈনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা তকখৎলকখি। মখোয়না তকখৎলকখিবদা মেচকী মিনিট ৬৮ চৎপা মতমদা সোবিরজোনোভনা য়ার্দ তরাদগী শাংনা থাজিনখিবা বোল অমা য়েমেনগী পোষ্ট মনুংদা চঙখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। য়েমেনসু মেচকী মিনিট ৬৫ চৎপা মতমদা তৌখিবা কাউন্টর এটেক অমদা পেনালটি এরিয়াদগী আশ্বাদনা গোল এটেম্প তৌখিবদা কান্নবা ফংখিদে।

য়েমেননা মখা তানা উজবেকিষ্টানগী মায়কৈদা তকশিনখিদুনা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু অরেম্বদা তাদুনা উজবেকিষ্টানগী মখুৎতা ১-০ দা মায়থীহৌখি।

উজবেকিষ্টানগী কোচ টিমুর অলিমখোদজায়েভনা হায়খি, য়েমেননা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু খ্বাইদগী ফবা ওইখি। মমাঙদা ঐখোয়না মখোয়গা থেংনখ্রে অমদি ৫-২ দা মায়থীবসু পীখ্রে। অদুবু মেচ অসিদদি মশক থোক্লা শান্নখি। মখোয়না নিংথিনা শান্নখ্রবসু ঐখোয়না মায়থীবা পীখি। ঐখোয়গী অহানবা গেমসদা থাইলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা অদুদগী য়েমেনগা শান্নবা মেচ অসিনা হেন্না মতীং থোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী কোচ অমেন অল সুনাইনিনা হায়খি, ঐখোয়না অহৌবদগী মসি য়াম্না টফ ওইবা গেম ওইগনি হায়না খঙখ্রে। মসিগী মেচ অসি য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমনি। মসিবু মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমগদৌরিবনি। উজবেকিষ্টানগী টিম অসি অফবা প্লেয়রশিং য়াওবনা শান্নবদা য়াম্না টফ ওই। ঐখোয়না গোল চনবা য়াবা কয়া মাঙজখি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা গোল্ড তরুক য়াওনা অপুনবা মেদল ১৮ লৌদুনা মায় পাক্লা চঙশিল্লি



গবালা, সেপ্টেম্বর ২১ : অজার্বাইজানগী গবালাদা চথরিবা ইন্টরনেসনেল শুটিং স্পোর্ট ফেদরেসন (আই এস এস এফ) জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ফোর পিষ্টল, রাইফল অমদি শোটগনগী হুম্নি চনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী রুশিরাজ বারোটনা নুপামচাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা রুশিরাজনা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা অপুনবা স্কোর ৫৫৬ লৌদুনা ফাইনেল চঙখিবা শুটর তরুক্কী মনুংদা মঙাশুবা ওইখি। মহাক্লা চেক রিপব্লিক্কী লুকাস স্কোমালবু ২৫-২৪ দা মায়থীবা পীদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী সর্গেই ভলেভস্কিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা অহানবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা রুশিরাজনা ইভেন্ট অসিদা মাপনশুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিগী নুমিৎ হুম্নি চনবা ফাওবদা গোল্ড অনী য়াওনা পুন্না মেদল মরি লৌবা ঙমখিবদগী মেদল টেল্লিদা গোল্ড তরুক, সিলভর মরি অমদি ব্রোঞ্জ নিপান পুন্না মেদল ১৮ লৌদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। রসিয়ানা গোল্ড ১০ য়াওনা অপুনবা মেদল ২১ ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী প্রটিক বোর্স, অর্জুন বাবুটা অমদি প্রশান্তনা অপুনবা স্কোর ১৮৪৯.৯ তৌদুনা টিমগী গোল্ড মেদল লৌখি। সিঙ্গাপুরনা পোইন্ট ১৮৪৭ অমদি জপাননা পোইন্ট ১৮৪৬.৮ লৌদুনা মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অর্জুন অমদি প্রটিকনা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ফাইনেল চঙখ্রবসু অর্জুনখক্তনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা বাকুদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র ৱর্ল্ড কপতা গোল্ড মেদল লৌখিবা চেক রিপব্লিক্কী প্রোমিজিং ষ্টার শুটর ফিলিপ নেপেজচালনা জপানগী অটসুশি শিমাদাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপামচাগী মিটর ৫ গী পিষ্টলদা অনমোলনা নিশান্ত ভর্দৱাজ অমদি অর্জুন দাসকা লম্বা শেমদুনা ১৬০০ স্কোর তৌবা ঙমখিদুনা টিমগী সিলভর মেদল লৌখি। রসিয়ন টিমনা ১৬৪০ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। নুপীমচাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা দিলরিন গিল, গিটাস্মি দিক্সিট অমদি অশি রোষ্টোগিনা শাবা ইন্দিয়ন টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

পনবা য়াই, চথরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহানবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল অহুম য়াওনা পুন্না মেদল তরেৎ লৌখ্রবা মতুং নীনি চনবা নুমিৎতা অপুনবা মেদল তরুক অমসু লৌবা ঙমখিবনি। চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা অহানবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ লৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি।

## ইন্দিয়ন ৩ না ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা য়াওগনি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ :
ইটালিনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা ইন্দিয়ন শুটর অহুম - জিটু রাই, সঞ্জীভ রাজপুট অমদি মাইরাজ অহমদ খাননা মথংশিংনা পিষ্টল, রাইফল অমদি শোটগনগী ইভেন্টদা শরুক য়াগনি।

রাইফল অমদি পিষ্টল কম্পিটিসন্না বোলোগনাদা লাক্লিবা ওক্টোবর ৪ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লনি। অদুগা শোটগন ইভেন্টনা রোমদা ওক্টোবর ১০ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্লনি। জিটু রাইনা এয়র অমদি ফ্রি পিষ্টল ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াগনি। অদুগা রাজপুটনা নুপাগী রাইফল থ্রি পোজিসন ইভেন্টদা কম্পিট তৌগনি। বাকুদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা রাজপুটনা ইভেন্ট অসিমক্তদা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী স্কিট ইভেন্টদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা মাইরাজনা রিওদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা সিলভর মেদল লৌখিবনি। ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল অসিদা টোপ আইট শুটর য়াওনা টোপ ১০ না কম্পিট তৌনগনি।

# এম এস কে প্রসাদপু সেলেক্টরগী চ্যেরমেন হাপখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২১ :
সুপ্রিম কোর্টনা হাপখিবা লোধা কম্মিটিগী রিকম্মেন্দেসনগী ওন্ন-তৈনবদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না মমাঙগী ৱিকেট কিপর বেটসমেন এম এস কে প্রসাদনা লুচিংবা মেম্বর মঙানা শাবা সেলেক্সন কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।



হায়রিবা মেম্বর মঙানা শাবা সেলেক্সন কম্মিটি অসিদা টেষ্ট শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স লৈত্রিবা মেম্বর অনী অমসু য়াওরি।

সাউথ জোন রিপ্রজেন্টিটিবকী মমাঙগী পেনেলদা য়াওখিবা প্রসাদপু সন্দিপ পাটেলগী মহুত্তা সেলেক্টরগী চ্যেরমেন ওইনা হাপখি। মশাগী চহী ৪১ শুরবা প্রসাদ অসি অন্ধ্র প্রদেশতগী হৌরকখিবনি। মহাক্কী তেল্লবা ইন্টরনেসনেল কেরিয়রদা টেষ্ট মেচ তরুক অমদি ও দি আই ১৭ শান্নখ্রে।

টেষ্ট ক্রিকেট অমুক্তা শান্নরকখিদ্রিবা গগন খোদাবু সেন্ট্রেল জোনদগী কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা য়াওখ্রে। সেলেক্সন পেনেলদা নৌনা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি দভাং গান্ধি, জাটিন পরাঞ্জপে অমদি সরন্দীপ সিংহনি। পরাঞ্জপেনা অমুক ফাওবা টেষ্ট মেচ শান্নরক্ত্রি অমদি ও দি আই প্লে অমখক শান্নখ্রে।

লোধা কম্মিটিনা রিকম্মেন্দ তৌখিবা মতুং ইন্না টেষ্টকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই অহুম্না পেনেলদা য়াওগদবনি হায়বদু বি সি সি আইগী থৌওং অসিনা তাইওন্নহল্লে।

অনৌবা পেনেল অসি বি সি সি আইগী ৮৭শুবা এন্যুএল জেনরেল মীটিংদা ৱারেপ লৌদুনা শেমখিবনি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা গান্ধিনা টেষ্ট মেচ মরি অমদি ও দি আই মেচ অহুম শান্নখ্রে। মহাক্লা ইষ্ট জোন্দগী রিপ্রজেন্ট তৌরকখিবনি। অদুগা পরাঞ্জপেনা ৱেষ্ট জোন্দগী লাকখিবনি।

মমাঙগী ওফ-স্পিন্নর সরন্দীপনা বিক্রম রাথোরগী মহুতা নোর্থ জোন্দগী লাকখিবনি। মশাগী চহী ৪৪ শুরবা মমাঙগী লেফট হেন্দেদ বেটসমেন পরাঞ্জপেনা ও দি আই মেচ মরি শান্নখ্রে। সরন্দীপনা টেষ্ট মেচ অহুম অমদি ও দি আই মেচ মঙা শান্নখ্রে।

সেলেক্সন কম্মিটি অসি পুন্না য়েংবা মতমদা টেষ্ট মেচ ১৩ অমদি ও দি আই ৩১ শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবশিংনা শেম্বা কম্মিটি অমা ওইরে। মমাঙগী ইন্দিয়াগী সিমর ভেনকাটেশ প্রসাদপু জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইনা হাপখি।

নৌনা শেম্লবা সেলেক্সন কম্মিটি অসিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটপু হেন্না ফবা মায়কৈদা পুশিল্লকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা থম্নরক্লি। ক্রিকেটপু পামজবা মীয়াম অমদি শান্নরোয়শিংনা অনৌবা কম্মিটি অসিবু য়াইফ পাউজেল পীরদুনা ইন্দিয়ন ক্রিকেটপু অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্তুনা হেন্না ফবা ওইহল্লগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

# সানিয়া মিরজা-বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা মায় পাক্তুনা জপান টোরে পান পেসিফিক ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২১ : ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী জুরা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা মফম অসিদা চথরিবা টোরে পান পেসিফিক ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী দবলস ইভেন্টতা সেট অহুমদা অকনবা লম্বা তৌনখিদুনা অনসীদেদ লোপেজ দো মিসাকি দোই অমদি কুরুথি নারাবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অনীশুবা সীদেদ ইন্দো-চেক্কী জুরা অসিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা পুং অনী চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা জপানিজগী অপুনবা জুরাবু সুপর টাই ব্রিকরদা ৬-৭ (৩), ৭-৫, ১০-৮ দা মায়থীবা পীখি।

মার্টিনা হিঙ্গিসকা থা ১৪ চুপ্পা জুরা শেমদুনা শান্নরম্বদগী কায়নখ্রবা মতুং সানিয়ানা ষ্ট্রাইকোভগা জুরা শেমদুনা শান্নরকখি অমদি দো অসিনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা সিনসিনাটি ওপনগী টাইটল লৌদুনা মখোয় অনীগী অহানবা টাইটলসু ওইখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদবদগী ওপন অদুদগী ঙান্না মপান থোককখিবনি।

পনবা য়াই, টুর্ণামেন্ট অসিদা সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী লম্বানা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা টাইটল লৌননবা অশানবা মিৎয়েং থল্লিবনি। মখোয়না টুর্ণামেন্ট অসিগী টাইটল অসি লৌবা ঙম্লবদি মবানিগী জুরা শেমদুনা শান্নরকপগী অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইগদৌরিবনি।

## ইন্দিয়ানা অনীশুবা সীদেদ ওইখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ : হন্দক্তা লোইশিনবদা ঙাইখ্রিবা দেভিস কপকী ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ টাইদা স্পেনগী মখুৎতা মায়থীহৌখ্রবা ইন্দিয়াগী টিমনা এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানদা কজাখষ্টানগী হেক মথংদা অনীশুবা সীদেদ ওইনা লৈখ্রে।

গ্রুপ ৱান অসিদা অহেনবা টিম মঙানা মথং সিজনগী ৱর্ল্ড গ্রুপতা য়ৌননবা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। টিমশিং অদুদি চিনা, চাইনিজ টাইপৈ, কোরিয়া রিপব্লিক, ন্যু জিলেন্দ অমদি উজবেকিষ্টাননি।

ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দ অমদি উজবেকিষ্টানগা করিগুম্বা দ্রো চৎলবদি য়ুম্মু ওইবগী খুদোংচাবা লৈগনি। অদুগা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা ওপোনেন্টশিংগা অৱে টাইদা লম্বানগনি। পনবা য়াই, কুমজা ২০১৫ গী দা শান্নখিবা অৱা টাইদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখিদুনা ৱর্ল্ডকপ প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১২ দা উজবেকিষ্টানগা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা অদুদা উজবেকিষ্টানগী মখুৎতা ২-৩ দা মায়থীহৌখি।

**TEMPLE OF LEARNING (TOL), KHA NAOREM LEIKAI, CANCHIPUR, M.U. ROAD**

Council Affiliation No :- 1/96/96/ - HSE Dt 20/8/2007 Govt. Recognition No :- 30/1/03 – SE (S) Dt 24/5/2008
BOSEM affiliated No.G/54/01/Dt.18th March 2012

**POST VACANCY**
The 16th Sept., 2016

No.1/MP/TOL – 2007: Application on prescribed form available in the School Office are invited from the intending candidates for the following posts:

| Sl No. | Name of the Post | No | Minimum Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Lecturer in Physics | 1 | MSc.in Physics | 12,000 – 15,000+ EPF |
| 2 | Warden Female | 1 | Bachelor degree in Sc./Arts/Comm./Teaching/ Nursing/Applied Psychology | Negotiable with experience + EPF |

➢ Salary negotiable for well experience, deserving candidate(s).
➢ Candidates should passed minimum Second Class Master Degree with minimum 50% marks in the subject concerned. Preference will be given to B.Ed /M.Ed/ Trained/ experienced candidates in the subject concerned.
➢ Last date of issue & submission of application forms: **28th Sept. 2016 till 1:00P.M.**
➢ Date of interview : **30th Sept. 2016 at 11:00A.M.** in the school premises.

Contact No :- **09436038156**

Sd/- M. Rajen Singh
Secretary, TOL

HL-P/9842/21,22,23